# কভিটোভানা রুহান ওপনগী টাইটল লৌখ্রে





রুহান (চিনা), ওক্টোবর ০১ :

ৱিমব্লেদন চেম্পিয়ন অনীরক ওইখ্রবা পেট্রা কভিটোভানা মফম অসিদা চথখিবা রুহান ওপনগী থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা দোমিনিকা সিবুলকোভাবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখিবগা লোয়ননা মহাক্কী থা তরাহুমদোই চুপ্পা টাইটল অমত্তা লৌবা ঙমদনা ইকং থোক্কুনা লাকখিবা অদু লোইশিনখ্রে।

মমাঙগী ৱর্ল্ড নম্বর টু অসিনা মহাক্কী রুহানগী অনীশুবা টাইটলগীদমক পুং অমা হেল্লপ শান্নখিবা মেচ অদুদা সিবুলকোভাবু ৬-১, ৬-১ দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুগী অহানবা পোইন্ট অদু সিবুলকোভাদা চৎখি অদুবু কভিটোভানা মথংগী গেম অহুম অদু দোমিনেট তৌনা চৎখিদুনা খোঙফম ফনা লৈখি। ওলেম্পিক গেমসগী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট অসিনা অহানবা সেটতা এস তরেৎ কনখি।

কভিটোভানা অনীশুবদা পোইন্ট অনী লৌদুনা মথক থংনা লৈখিবা মতমদা সিবুলকোভানা মহাক্কী সার্ভিস গেম অদু খুৎবাম চেৎনা পায়শিনখিদুনা ২-১ দা মাঙজিল থানা লৈখি। অদুবু ফুট তরুক ৱাংবী চেক অসিনা মহাক্কী ওপোনেন্ট ফুট ৫ গা ইঞ্চি ৩ ৱাংবীবু নক্ষৎখিদুনা টাইটল লৌখি।

পনবা য়াই, টুর্ণামেন্ট অসিগী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা চেক্কী পেট্রা কভিটোভানা ৱর্ল্ড নম্বর ফাইভ সিমোনা হালেপপু ৬-১, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি। পেট্রা কভিটোভানা কুমজা ২০১৪ দা রুহান ওপনগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

টুর্ণামেন্ট অসিগী অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা স্লোভাক্কী দোমিনিকা সিবুলকোভানা রসিয়াগী সভেৎলানা কুজনেটসোভাবু ৩-৬, ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

তরামরিশুবা সীদতা লৈরিবা কভিটোভানা টুর্ণামেন্ট অসিগী লাষ্ট সিক্সটিনদা জর্মনগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এঞ্জেলিগ কার্বরবু মায়থীবা পীখিবনি।

অমরোমদা দব্লিয়ু টি এ রুহান ওপনগী থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপীগী দবলস ইভেন্টকী ফাইনেলদা সানিয়া মিরজা অমদি মহাক্কী চেক পার্টনর বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা বেথানি মাট্টেক-সেন্দস অমদি লুসি সাফারোভাগী মখুৎতা ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

অহুমশুবা সীদ সানিয়া-ষ্ট্রাইকোভানা মঙাশুবা সীদেদ য়ু এস-চেক্কী জুরা মাট্টেক-সেন্দস অমদি সাফারোভাগী মখুৎতা ১-৬, ৪-৬ তা পুং অমা হেন্না চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থীহৌখি।

মাট্টেক-সেন্দস অমদি সাফারোভানা মখোয়গী লম্বীদা লাকখিবা ব্রিক পোইন্ট নিপানগী মনুংদা তরুক্তি কনভার্ট তৌবা ঙমখি। অদুগা ইন্দো-চেক্কী জুরানা নিপানগী মনুংদা তরুক্তি স্কোন্দর তৌখি।

সানিয়ানা মমাঙদা শান্নখিবা মহাক্কী টুর্ণামেন্ট মরিগী মনুংদা অহুমদি মায় পাক্কুনা টাইটল লৌখি। হায়রিবা টুর্ণামেন্টশিং অদু মহাক্না স্বিসকী মার্টিনা হিঙ্গিসকা কায়নখ্রবা মতুংদা শান্নখিবশিংনি।

পনবা য়াই, ওপন অসিগী নুপীগী দবলসকী সেমী ফাইনেল মেচতা অহুমশুবা সীদ সানিয়া মিরজা অমদি বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা টামিয়া বাবোস অমদি য়ারোস্লাভা শভেদোভাবু ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।


অহুমশুবা সীদ সানিয়া অমদি ষ্ট্রাইকোভানা তরুকশুবা সীদ হঙ্গেরিয়ন-কজাখস্টানগী জুরাবু ৭-৩, ৭-৫ (৫) দা মায়থীবা পীখিবনি।

ইন্দো-চেক অসিনা চাইনিজ টাইপৈগী জুরা চান য়ুং-জান অমদি চান হাও-চিংবু সেমী ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

সানিয়ানা স্বিসকী ষ্টার মার্টিনা হিঙ্গিসকা মমাঙ থাদা কায়নখ্রবা মতুং ষ্ট্রাইকোভাগা পুন্দুনা অহানবা ওইনা সিঙ্গিনাটি ওপনদা শরুক য়াখিদুনা টাইটল লৌখি। সিঙ্গিনাটিগী ফাইনেলদা ইন্দিয়া-চেক অসিনা মার্টিনা হিঙ্গিস অমদি কোকো ভান্দরেৱেঘেবু মায়থীবা পীখিবনি।

অদুম ওইনমক ইন্দো-চেক অসিনা য়ু এস ওপনদা শরুক য়াখিবদা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

# শ্রীকান্তনা বি দব্লিয়ু এফ রেঙ্কিংগী টোপ টেনগী মনুংদা হল্লকপা ঙমখ্রে







ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ০১ :

রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বার্টর ফাইনেলিষ্ট কিদম্বী শ্রীকান্তনা জপান ওপনদা ক্বার্টর ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখিবা অদুনা বি দব্লিয়ু এফকী নৌনা থোকখিবা ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা মফম মঙা কাখৎলগা ৱর্ল্ডগী মাপনশুবা মফমদা লৈবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেন’স সিঙ্গলসকী টোপ ১০ গী মনুংদা হল্লকপা ঙমখ্রে।

নুপীগী সিঙ্গলসতা সাইনা নেহৱাল অমদি পি ভি সিন্ধু অনীনা হন্দক্তা টুর্ণামেন্ট অমত্তা শান্নখিদ্রবসু হান্না লৈরম্বা মফমদগী কাখৎপা ঙমখি।

হান্নগী নম্বর ৱান সাইনানা মহাক্কী খুউগী অশোকপা লৈবদগী সর্জরি তৌদুনা ফঙৎলকখ্রবা মতুং হান্না লৈরম্বা মফমদগী অহুম কাখৎলগা ৱর্ল্ডগী নম্বর মঙাশুবা মফমদা লৈখ্রে। অদুগা রিও ওলেম্পিক্সকী সিলভর মেদলিষ্ট সিন্ধুনা মফম অনী কাখৎলগা ৮শুবা পোজিসনদা লৈখি।

চৈরক অসিদা অজয় জয়ারামনা নুপাগী সিঙ্গলসতা হান্না লৈরম্বা মফমদগী মাপন হায়থরগা ২৭শুবা মফমদা লৈখ্রে।


পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী শট্টলর ষ্টার অজয় জয়ারামনা সিওলদা চথরিবা সুপর সেরিজ বেদমিন্টন ইভেন্ট (কোরিয়া ওপন) কী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ৱর্ল্ড নম্বর ২০ শুবদা লৈরিবা কোরিয়াগী লী হয়ুন টুগী মখুৎতা মায়থীদুনা লৈহৌখিবগা লোয়ননা কোরিয়ন ওপনদা ইন্দিয়াগী কেম্পেন লোইশিনখিবনি। মহাক্না মায়থীহৌখিবা অসিনা বি দব্লিয়ু এফকী রেঙ্কিংদা মাঙজখি।

মহাক্না কোরিয়াগী লী হয়ুন টুগী মখুৎতা ২৩-২৫, ১৩-২১ দা মিনিট ৪৪ চঙনা শান্নখিবা কন্টেষ্ট অদুদা মায়থীহৌদুনা টুর্ণামেন্ট অসিদগী মপান থোকখিবনি।

সিওং-নাম ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদুদা ৱর্ল্ডগী রেঙ্ক ২২ শুবদা লৈরিবা জয়ারামনা অহানবা ষ্টেজদা ১৪-১১ দা মাঙজিল থানা চৎখি অদুবু লীনা নীংথিনা খুৎ হল্লকখিদুনা পোইন্ট তরেৎ লৌখিদুনা মাঙজিল অমুক থাখি। লীনা গেম পোইন্ট লৌবা ঙমখিদুনা ১৬-১৭ তা লৈখি অদুবু জয়ারামনা গেম পোইন্ট ৩ সেফ তৌখিদুনা ২৩-২২ দা মাঙজিল থাখি। অরোইবদা কোরিয়ানা ২৫-২৩ দা মায় পাকখি। অনীশুবা সেটতসু প্লেয়র অনীমক্না ৪/৪ দা লৈনখ্রবা মতুং কোরিয়ানা ২১-১৩ দা মায় পাকখিবনি।

অদুগা ঐচ এস প্রন্নোয় অমদি বি সাই প্রনীথনা মথংশিংনা ৩১ অমদি ৩৫ শুবা মফমদা লৈখ্রে। নসনেল চেম্পিয়ন সমীর ভর্মানা মফম অমা হায়গৎলগা ৱর্ল্ডগী নম্বর ৪০শুবা মফমদা লৈখ্রে।

# বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াবু মশক থোকপা ফেদরেসন অমা ওইহন্নবা মিৎয়েং থম্নরক্লি



ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ০১ :

নৌনা শেমখ্রবা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (বি এফ আই) বু এফিলিয়েসন তৌনবা খন্নরগনি হায়না ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএসন (আই ও এ) না ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা নৌনা শেমখ্রবা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (বি এফ আই) গী মীখল পাঙথোক্কুনা মসিগী থৌ পুগদবা মীওই খনখ্রবনি। ফেদরেসন অদুগী মীখল অদু ট্রান্সপরেন্সি লৈনা পাঙথোকখিবদা লৈবাক অসিগী মীয়াম অমদি মরী লৈনবা মালেমগী মীওইশিংনসু থাগৎপা ফোঙদোক্লখিবদা নত্তনা লৈবাক অসিদা মশান্না অসি হেন্না চাউখৎপা মায়কৈদা চঙশিল্লক্লগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থম্নখিবনি।

ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএসন (আই ও এ) গী সেক্রেটরি জেনরেল রজিভ মেহটানা হায়খি, কুমজা ২০১২ ফাওবা লৈবাক অসিগী বোক্সিংগী থৌ পুরক্লবা ইন্দিয়ন এমেচর বোক্সিং ফেদরেসন (আই এ বি এফ) অসি হৌজিক ফাওবা আই ও এগী মেম্বর অদুমক ওইরি। অদুবু ষ্টেট য়ুনিটশিংনা ইন্দিয়ন এমেচর বোক্সিং ফেদরেসন (আই এ বি এফ) গী মেম্বরশিপ্পুগী হন্দোক্লে হায়বগী চেবাউ বি এফ আইদা থাখ্রে হায়বা খঙহল্লক্লে। মদুগী এফিদেবিটশিং অদু অথুবা মতমদা য়েংশিন্দুনা মথং থা ১/২ দা ৱারেপ অমা লৌরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ইন্দিয়ন এমেচর বোক্সিং ফেদরেসন (আই এ বি এফ) বু ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিএসন (আইবা) অমদি স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা মশক খঙখিদ্রবসু ফেদরেসন অসিমক্না মখা তানা হিঙ্গৎহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি অমদি ফেদরেসন অসিনা থাখিবা লেটিগেসন অদু দিল্লি হায় কোর্টতা হৌজিক ফাওবা লৈরি।

রজিভ মেহটানা মখা তারদুনা হায়খি, হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা বি এফ আইগী মীখলদা আই ও এগী মীহুৎ অমত্তা য়াওবা ঙমখিদ্রবসু মীখল অদু নিয়ম চুন্না অমদি ফজনা পাঙথোকখি হায়বগী খুদম চাংদম ফংলবনা থা অমরোমগী মনুংদা অনৌবা ফেদরেসন অসি এফিলিয়েট তৌনবা হোৎনরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, হৌখিবা চহী মরী অসি ইন্দিয়ন বোক্সিংগী এদমিনিষ্ট্রেসনদা চয়েৎনবা থোক্কুনা লাকখিবা ফীভম অদু হন্দক্তা অনৌবা ফেদরেসন শেমদুনা মীখল পাঙথোকখিদুনা থৌ পুগদবশিং খনখিবদগী লৈখায় তাবা ঙমখ্রবনি।

মীখল অদুদা ব্যুজিনেসমেন অজয় সিংহবু প্রসিদেন্ট ওইনা খনখি। মশাগী চহী ৫১ শুরবা স্পাইস জেট এয়রলাইন্সকী চেয়রমেন অমদি মেনেজিং দিরেক্টর অজয় সিংহনা ভোট ৪৯ ফংদুনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা দেল্লিগী রোহিট শর্ম্মাবু মায়থীবা পীখি। রোহিট শর্ম্মানা ভোট ১৫ খক্তমক ফংখি। মীখল অদুদা আইবাগী ওসিনিয়া জোনগী ভাইস-প্রসিদেন্ট ইদগার টন্নর অমদি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) গী দিরেক্টর সুস্মিতা জয়োটিনা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রীগী ওবজার্বর ওইনা শরুক য়াখিবনি।

নিংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী বোক্সিং মশান্নগী পেরেন্ট বোদি ওইরিবা ইন্দিয়ন এমেচর বোক্সিং ফেদরেসন (আই এ বি এফ) গী মীখলদা অরানবা থৌওং শিজিন্নখি হায়বগী মরালদা কুমজা ২০১২ দগী আই এ বি এফপু মথৌ পাঙথোকহন্দনা অথিংবা থমখি। মসিগী মতুং কুমজা ২০১৪ দা শেমখিবা বোক্সিং ইন্দিয়াসু মসিগী মখাদা লৈবা ষ্টেট য়ুনিটশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্কুনা ঈরাং হৌরকখিবদগী চহী অমা ফাদ্রিঙৈদা থূপচিনখিবনি।

# বেঙ্গলুরু এফ সিনা অহানবা ওইনা এ এফ সি কপকী ফাইনেল চঙনবগীদমক অচেৎপা খোঙফম শেমখ্রে



জোহোর বাহরু, ওক্টোবর ০১ :

য়ুগেনেসন লিংদোহগী ওইগী খোঙনা কাওখিবা মশক থোক্লবা শাফু অমদা চনখিবা গোলনা বেঙ্গলুরু এফ সিনা মফম অসিদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা এ এফ সি কপকী অহানবা লেগকী সেমী ফাইনেল মেচতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন্স জোহোর দারুল টাজিমগা গোল ১-১ দা দ্রো চৎখিবগা লোয়ননা কপ অসিগী ফাইনেল চঙনবা অচেৎপা খোঙফম শেমখ্রে।

টান শ্রী দাটো’ হাজি হাসন য়ুনোস ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদুগী সেকেন্দ হাফকী মিনিট ৫৩ চৎপা মতমদা য়ুম্নু টিমগী জোর্জ পেরেরা দাইজনা গোল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং মেচকী মিনিট ৫৭ চৎপা মতমদা লিংদোহনা বোক্স মপান্দগী ওইথংবা খোঙনা কাওশিনখিবা মশক থোক্লবা শাফুদা গোল অমা জোহোরগী নেটতা চঙখিদুনা গোল ওন্থোকখি।

মেচ দ্রো চৎখিবা অসিনা আই লীগকী চেম্পিয়ন্স বেঙ্গলুরুনা কন্টিনেন্ট অসিগী অনীশুবা টাইয়র ক্লব কম্পিটিসন ওইরিবা এ এফ সি কপতা মখোয়না অহানবা ওইনা ফাইনেল চঙনবগী শাগৎলকখিবা মঙলান অদু থুংগদবা খজিক্তা ঙাইবগা লোয়ননা চাউরবা খুদোংচাবা অমসু ওইখ্রে।

দেম্পো এফ সিনা কুমজা ২০০৮ অমদি ইষ্ট বেঙ্গলনা কুমজা ২০১৩ দা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অদুগী মতুং বেঙ্গলুরুনা অহুমশুবা টিম ওইনা কম্পিটিসন অসিগী সেমী ফাইনেল চঙবা ঙম্বসু ওইরি। বেঙ্গলুরুনা মখোয়গী অনীশুবা লেগকী সেমী ফাইনেল মেচ লাক্লিবা ওক্টোবর ১৯ দা য়ুম্নু ওইদুনা কান্টিরাভা ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি। হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী ক্লব অমত্তনা এ এফ সি কপকী ফাইনেল চঙবা ঙমদ্রিবনি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচ অদুনা টুর্ণামেন্ট অসিগী এদিসনদা অহুল্লকশুবা ওইনা সাইদ অনী অসিনা মায়োক্লখিবসু ওইখি। বেঙ্গলুরু এফ সি অমদি জোহোর দারুলনা এ এফ সি কপকী গ্রুপ ষ্টেজদা হান্ননা লম্বা তৌদুনা শান্নখ্রে অমদি মালেসিয়ন টিম অসিনা হোম অমদি অৱে মেচ অনীমক্তা মায় পাকপা ঙমখ্রে। জোহোর দারুলনা ময়ুমদা অরোইবা ওইনা শান্নখিবা মেচ ২৩ দা মায়থীবা মশক খঙদনা লাকখিবনি।

টিম অনীগী মশক থোক্লবা মেচ অদুদা বেঙ্গলুরুনা অহেনবা মতীং উথোক্কুনা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন্সবু অথিংবা পীদুনা মখোয়গী মথক থংনা শান্নবা ঙমহনখিদে। অহুমশুবা মেচখক্কী বেঙ্গলুরুগী থৌ পুখিবা অলবার্টো রোকানা মায়োক্লবা টিমদা অকনবা প্রেসর পীনবা পোরম য়াৎখিদুনা মশক থোকপা এটেকশিং চথহনখি।

বেঙ্গলুরুগী গোল কিপ্পর অমরিন্দর সিংহনা মেচকী মিনিট ২৭ চৎপা মতমদা মার্টিন লুসেরোনা অনকপা মফমদগী হেদিং তৌশিনখিবা বোল অমা সেভ তৌখিদুনা য়ুম্নুগী গোল চনবা য়ারম্বা অদু অরেম্বা তাখি।

অদুমকপু জোহোরনা মেচ অদু নিংথিনা শান্নরকখিদুনা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরকখ্রবসু অহানবা হাফ ফাওবদি টিম অনীমক্না গোল চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌখিবগা য়ুম্নু টিমনা টেম্পো লৈনা শান্নরকখিদুনা এটেকশিং চঙশিনখি। মখোয়না চঙশিনখিবা শাফু অমদা মেচকী মিনিট ৫৩ চৎপা মতমদা ফংখিবা কোর্নর কিক অমদা সফিস রাহিমনা কাওশিনখিবদা দাইজনা চোংখৎলগা হেদিং তৌশিনখিদুনা গোল ওন্থোক্কুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। জোহোরনা গোল চনখিবগী তপথদ্রবা বেঙ্গলুরুনা মায়োক্লখিবা মায়কৈদা চঙশিনখিবা শাফুদা লিংদোহনা য়ার্দ ২২ দগী শাংনা থাজিনখিবা বোল অমা য়ুম্নুগী নেটতা চঙখিদুনা ইক্বেলাইজ তৌখিদুনা দ্রো চৎখি।

# রেলৱেজনা ৫৬শুবা এথলেটিক্স ওপন নেসনেলগী ওভর ওল চেম্পিয়ন ওইখ্রে, সার্ভিসেসনা ২শুবা, ও এন জি সিনা ৩শুবা তাখ্রে





লক্ষ্নৌ, ওক্টোবর ০১ :

উত্তর প্রদেশনা য়ুম্নু ওইদুনা চথখিবা ৫৬শুবা এথলেটিক্স ওপন নেসনেল চেম্পিয়নশিপতা রেলৱেজনা অপুনবা পোইন্ট ২৭৪ ফংদুনা ওভর ওল চেম্পিয়ন ওইখ্রে। অদুগা সার্ভিসেসনা পোইন্ট ১৮৭ অমদি ও এন জি সিনা পোইন্ট ৮৪ ফংদুনা মথংশিংনা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা এস এস সি বিগী মালকিট সিংহনা নুপাগী বেষ্ট এথলেট তাখি। অদুগা কনার্টাকাগী ঐচ এন জয়োটনা নুপীগী বেষ্ট এথটে তাখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী অরোইবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ট্রিপল জম্পতা এস এস সি বিগী মালকিট সিংহনা মিটর ১৬.৫৭ চোংদুনা অনৌবা মীটকী রেকোর্দ থমখি। মহাক্না থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা ইন্টর-সার্ভিসেস চেম্পিয়নশিপতা মিটর ১৬.৪৭ শান্না চোংদুনা অনৌবা মীট রেকোর্দ থমখিবনি।

মহাক্না মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা পার্ফোর্মেন্স ওইনা নেসনেল ওপনদা সেন্টিমিটর ১০ হেনগৎনা চোংখিদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। মহাক্না ওপন অদুদা মহাক্কী মরিশুবা এটেম্পটতা মিটর ১৬.৫৪ চোংখি অমদি অরোইবদা মহাক্না মিটর ১৬.৫৭ চোংদুনা অনৌবা মীট রেকের্দ থমখিবনি।

মহাক্কী টিমমেট রাকেশ বাবুনা মিটর ১৬.০৯ চোংদুনা অনীশুবা পোজিসন অমসুং রেলৱেজগী অহুল্লক ওলেম্পিয়ন ওইখ্রবা রেঞ্জিথ মহেশ্বরিনা মিটর ১৬.০২ চোংদুনা অহুমশুবা তাখি।

চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা বেঙ্গলুরুদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ন গ্রান্দ প্রীদা রেঞ্জিথনা মিটর ১৭.৩০ চোংবা ঙমখিবনি।

ওপন অসিগী অয়ুক্তা পাঙথোকখিবা মিটর ১০,০০০ দা দিষ্টেন্স রন্নর সুরিয়া লোগানাথন অমদি জি লক্ষ্মনন্না মখোয়গী অনীশুবা গোল্ড মেদল লৌখি।

নুপীগী মিটর ১০,০০০ গী লমজেল অদুদা আর এস টি বিগী এল সুরিয়ানা ৩৩:৩৩.৭৪ সেকেন্দ চেন্দুনা ফার্ষ্ট তাখি। ও এন জি সিগী সঞ্জিবানি জাদভনা ৩৩:৫০.৯৯ সেকেন্দ চেন্দুনা সেকেন্দ অমদি আর এস পি বিগী স্বাটি গাদৱেনা ৩৫:৪৮.৭৮ সেকেন্দ চেন্দুনা থার্দ তাখি।

নুপাগী মিটর ১০,০০০ গী লমজেলদা এস এস সি বিগী জি লক্ষ্মননা ৩০:০৫.০৩ সেকেন্দ চেন্দুনা অহানবা তাখি। এল আই সিগী কালিদাস ইরাভেনা ৩০:৩৯.০১ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা অমসুং আর এস পি বিগী অভিশেখ পালনা ৩০:৫১.১৯ সেকেন্দ চেন্দুনা থার্দ তাখি।

এস কনার্টাকাগী স্প্রিন্টর ঐচ এম জয়োথিনা মিটর ২০০ গী লমজেলদা গোল্ড মেদল অমগা লৌবা ঙমখি। মহাক্না মিটর ১০০ গী লমজেলদসু গোল্ড মেদল অমা লৌবা ঙমখ্রবনি।

মহাক্না মিটর ২০০ গী লমজেল অদুদা ২৩.৭৩ সেকেন্দ চেন্দুনা ফার্ষ্ট তাখি। কনার্টাকাগী রিনা জোর্জনা ২৩.৯০ সেকেন্দ চেন্দুনা সেকেন্দ অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী অনৱেশা রোই প্রধান্না ২৪.৪৯ সেকেন্দ চেন্দুনা থার্দ তাখি।

আর এস পি বিগী মিটর দিষ্টেন্স রন্নর অজয় কুমার সাজোরনা মিটর ৮০০ গী লমজেলদা ১:৫৬.২৫ সেকেন্দ চেন্দুনা ফার্ষ্ট, আর এস পি বিগী ভিশ্বম্বর কোলেকরনা ১:৫৬.৪৪ সেকেন্দ চেন্দুনা সেকেন্দ অমদি দেল্লিগী অমোজ জাকোভ পি এনা ১:৫৭.৬০ সেকেন্দ চেন্দুনা থার্দ তাখি।

নুপাগী মিটর ২০০ গী লমজেলদা এস এস সি বিগী বিদ্যা সাগরনা ২১.০৮ সেকেন্দ চেন্দুনা অহানবা, এস এস সি বিগী সঞ্জিটনা ২১.১৫ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা অমসুং মহারাষ্ট্রগী অক্সিট খোটনা ২১.৫৮ সেকেন্দ চেন্দুনা অহুমশুবা তাখি।

মিটর ৪x১০০ গী লমজেলদা সার্ভিসেসনা ৪০.৫১ সেকেন্দ চেন্দুনা ফার্ষ্ট, কেরলানা ৪১.০০ সেকেন্দ চেন্দুনা সেকেন্দ অমসুং রেলৱেজনা ৪১.৩০ সেকেন্দ চেন্দুনা থার্দ তাখি।

মিটর ৪x৪০০ গী লমজেলদা সার্ভিসেসনা ৩:০৯.৪৫ সেকেন্দ চেন্দুনা অহানবা, মণিপুরনা ৩:১১.৪৮ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা অমসুং মধ্য প্রদেশনা ৩:১১.৮২ সেকেন্দ চেন্দুনা অহুমশুবা তাখি।

হেম্মর থ্রোদা এস এস সি বিগী নিরজ কুমারনা মিটর ৬৬.৯১ শান্না লংদুনা অহানবা, আর এস পি বিগী সুখদেব সিংহনা মিটর ৬৩.৪৮ শান্না লংদুনা অনীশুবা অমসুং পঞ্জাবকী বাজিন্দর সিংহনা মিটর ৬২.৩৪ লংদুনা অহুমশুবা তাখি।

নুপীগী মিটর ৮০০ গী লমজেলদা আর এস পি বিগী টিন্টু রুকানা ২:০৩.২১ সেকেন্দ চেন্দুনা অহানবা, আর এস পি বিগী সুশমা দেবীনা ২:০৭.৭৮ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা অমদি ও এন জি সিগী অবিথা মেরি মান্যুএলনা ২:০৮.৭৭ সেকেন্দ চেন্দুনা অহুমশুবা তাখি।

# বির্মিংঘামনা ২০২৬ কম্মনৱেল্থ গেমস য়ুম্নু ওইনবা থৌরাং তৌখ্রে



লন্দন, ওক্টোবর ০১ : কুমজা ২০২৬ কী কম্মনৱেল্থ গেমস য়ুম্নু ওইনবগী লমজেলদা বির্মিংঘামনা য়াওখিবগা লোয়ননা গেমস অসিনা রিজন অসিগী ইকনোমিদা চাউনা কান্নহল্লগনি হায়না বৃটিশ সিটিগী কাউন্সিল লীদরনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চহীদা রগবি ৱর্ল্ড কপ, দাইমন্দ লীগপু য়ুম্নু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৱেষ্ট মিদলেন্দসনা লাক্লিবা কুমজা ২০১৮ গী ৱর্ল্ড ইন্দোর এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপকী ভেন্যুসু ওইবতা নত্তনা কম্মনৱেল্থ গেমস ২০২৬ কী য়ুম্নু ওইনবগী লমজেলদা য়াওরি।

বির্মিংঘাম কাউন্সিল লীদর জোন ক্লেন্সিনা বৃটিশকী মেদিয়াদা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা চহী খরা অসিদা ঐখোয়না ইন্টরনেসনেলগী ইভেন্ট খরা য়ুম্নু ওইদুনা পাঙথোকখ্রে। মসিনা ঐখোয়দা হরাউ-নুংঙাইবা অমদি মরূপ-মপাং ওইবগী নুংশিনবদু পীবা ঙমখি।

লাক্কদৌরিবা কম্মনৱেল্থ গেমসপু য়ুম্নু ওইদুনা পাঙথোক্লবগী লমজেলদা য়াওরিবসিনা করিগুম্বা মায় পাকপা ঙম্লবদি রিজন অসিগী ইকনোমিদা হেন্না কান্নবা শাফু পীবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখি।

বৃটিশ মেদিয়ানা রিপোর্ট তৌরকখিবা অমদা লিবরপুলনসু ইভেন্ট অসিমক য়ুম্নু ওইনবগী লমজেলদা য়াওননবা থৌরাং তৌরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

কম্মনৱেল্থ গেমস অসি চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকপা অদুগুম্বা শান্নবগী কুম্মৈ অমনি। মসিদা মমাঙগী বৃটিশ কোলোনি ওইরম্বা লৈবাক ৫০ হেনবগী এথলেটশিংনা শরুক য়াগনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল কোষ্টনা কুমজা ২০১৮ গী কম্মনৱেল্থ গেমস য়ুম্নু ওইদুনা পাঙথোক্কনি। অদুগা চহী ৪ লৈরবা মতুং কুমজা ২০২২ দা সাউথ অফ্রিকাগী সিটি দর্বাননা য়ুম্নু ওইদুনা কম্মনৱেল্থ গেমস পাঙথোক্কনি।

# রিটুপর্না প্রেগ ওপনগী সেমী ফাইনেলদা মায়থীহৌরে

প্রেগ (চেক রিপব্লিক), ওক্টোবর ০১ : পোলিশ ওপনগী ৱিন্নর রিটুপর্না দাসনা মফম অসিদা চথরিবা দোল্লর ১৭,৫০০ প্রেগ ওপন ইন্টরনেসনেল চেল্লেঞ্জগী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা দেনমার্ককী নটালিয়া কোচ রোহদেগী মখুৎতা গেম অহুমদা মায়থীদুনা টুর্ণামেন্ট অসিদগী মপান থোকখ্রে।

রিটুপর্না দাসনা চয়োল অসিদা ওপন অসি য়াওনা ফাইনেল চঙবা ঙম্বা অনীরকশুবা ওইখি। নহা ওইরিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী শট্টলর অসিনা নুপীগী সিঙ্গলস সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা নটালিয়াগী মখুৎতা ১২-২১, ২১-১৪, ১৪-২১ দা মিনিট ৪২ চঙনা শান্নখিব অদুদা মায়থীদুনা লৈহৌখিবনি।

রিটুপর্নানা মেচ অদুদা ইচং থৌনা শান্নখিদুনা অনীশুবা সেটতা মায়োক্লখিবা দেনমার্ককী নটালিয়াবু ২১-১৪ দা মায়থীবা পীখি। অদুবু মহাক্না অহানবা অমদি অহুমশুবা গেমদা নটালিয়াগী মখুৎতা ১২-২১ অমদি ১৪-২১ দা মায়থীদুনা ওপন অসিগী ফাইনেল চঙবা ঙমদনা লৈহৌখিবনি।

রিটুপর্নানা ৭৮শুবা এ টি এস সিনিয়র নেসনেল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপতা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীবা ঙমখিদুনা ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখি। মহাক্না ফাইনেল মেচতা অনীরক ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধুগী মখুৎতা মায়থীহৌদুনা লৈহৌখিবনি। মহাক্না নেসনেলগী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অদুদা মহাকপু মীয়াম্না হেন্না মশক খঙবা ঙমখি।